# মোদিগী পামজবা প্রোজেক্ট ওইরিবা বুল্লেট ট্রেন প্রোজেক্টকী লম লৌশিনবা ঙমদ্রি ঃ রিপোর্ট



***পলঘার, জুন ১২ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খ্বাইদগী অশা চাউবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জপাননা তেংবাংগদৌরিবা দোলর বিলিয়ন ১৭ কী মুম্বাই–অহমেদাবাদ বুল্লেট ট্রেন প্রোজেক্টকী মথৌ তাবা লম মতম চানা লৌশিনবা ঙম্লোইদৌরি।

বুল্লেট ট্রেন প্রোজেক্ট অদুগী চঙগদবা লম লৌশিনবদা উহৈ–ৱাহৈ থাবা ফার্মরশিংনা অকনবা প্রোটেষ্টশিং তৌরক্লি। হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ওফিসনা প্রোজেক্ট অদু চয়োল চয়োলগী মোনিটর তৌরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোজেক্ট অদুগী লম লৌশিনবগী মায়োক্তা লৈরিবা মহারাষ্ট্রগী হৈনৌনচিংবা উহৈ–ৱাহৈ থারিবা খুঞ্জাশিংদা কন্না ৱারী শান্নদুনা অপনবা পিরিবা অসি নাম্থোকপা ঙমগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা তোকিওদা থাজবা পীরি।

মুম্বাইগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ময়ূম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটকী খ্বাইদগী চাউবা কমর্সিয়েল সিটি অহমেদাবাদকা শম্নহনগদৌরিবা বুল্লেট ট্রেন কোরিদর অসিগী মঙা থোকপগী অমরোম শাংবা কিলোমিটর ১০৮ গী শরুক অসিগী লম লৌশিন্নবগী থবক্তা হৌখিবা থা খরদা মফমদুগী পোলিটিক্সিয়ানশিংগী শৌগৎপা প্রোটেষ্টশিং চথরকখি।

করিগুম্বা প্রোজেক্ট নৎত্রগা থবক অমগীদমক গভর্ণমেন্টনা লম লৌশিনবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং চত্থবা হায়বসি ইন্দিয়াদা অয়াম্বা মফমদা তোয়না থোকই।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওইল প্রদ্যুসর ওইরিবা সাউদি অরাবিয়া য়াওবা কনসোর্টিয়ম অমনা চলাইগদবা দোলর বিলিয়ন ৪৪ গী রিফাইনরি অমা মহারাষ্ট্রদা লীংখৎনবা হোৎনরিবা অদুগী লম লৌশিন্নবগী মতাংদসু অরুবা ওইরি।

ইন্দিয়াদা প্রোজেক্ট অমগী লম লৌবা অসি অরুবা চয়েৎনবা থবক অমা ওইরি হায়না প্রোজেক্ট অদুবু য়েংশিল্লিবা নেস্নেল হায় স্পীদ রেল কোর্প লিমিটেদ (এন ঐচ এস আর সি এল) গী ৱাঙাংলোয় ধনঞ্জয় কুমারনা হায়খি।

প্রোজেক্ট অদুগীদমক লম লৌশিন্নবগী পীরিবা অকক্নবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা লম অদু লৌশিনবা ঙমদ্রবদি মথং থাদা প্রোজেক্ট অদু রিভ্যু তৌগদৌরিবা গভর্ণমেন্ট দিভলপমেন্ট বোদি অমা ওইরিবা জপান ইন্টর্নেস্নেল কো–ওপরেসন এজেন্সি (জিকা) না সোপ লোনশিং পীথরকপদা থেংথহল্লগনি হায়না মমিং মথা ফোঙদোক্তবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী সেনিয়ার ওফিসার অদুনা হায়খি।

প্রোজেক্টকী লম লৌবদা মতম থেংথবদগী থোক্লিবা জপানগী নুংনাংবা অদু কোকহন্নবা ওফিসিয়েলশিংনা তোকিওদা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগা থা অসিগী মনুংদা মীফম অমা পাঙথোক্নবা হায়জখ্রে।

প্রোজেক্ট অসি মপূং ফানা লোয়শিনবগী মতম ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দন্সকী ৭৫ শুবা চহী তারিবা কুমজা ২০২২ দা হায়বদি হান্না পান্দম থমখিবা মতমদগী চহী অমা ঙনখৎনা লোয়শিনবা গভর্ণমেন্টনা পাম্লি।

প্রোজেক্ট অসি লোয়শিন্দুনা ২০২৩ দা থবক হৌনবা পান্দমদা প্রোজেক্টকী থবক মাঙলোমদা চঙশিন্নবা ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টকা লোয়ননা মখা তানা ঐখোয়না থবক তৌমিন্নগনি হায়না জপানিষ্ট ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

জপাননা চহী ৫০ গী লোন অমা ওইনা বুল্লেট ট্রেন প্রোজেক্ট অসিগী ফন্দ অয়াম্বা পীরি। নিপ্পোন ষ্টিল এন্দ সুমিতোমো মেতেল কোর্প, জে এফ ই হোলদিংস, কৱাসকি হেভি ইন্দষ্ট্রিজ, মিসুবিসি হেভি ইন্দষ্ট্রিজ, তোসিবা কোর্প অমসুং হেতাচি গুম্বা জপানগী কম্পনিশিংনা লেন্দলাইন অসিগী মপূং ওইবা কম্পোনেন্টশিংগী য়ামদ্রবদা চাদা ৭০ পীগনি হায়না পাউগী লীখুনশিংনা জনুৱারী থাদা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা মার্কেট ভেলুদা চাদা ২৫ গী প্রেমিয়মদা লম লৈনবা ফার্মরশিংদা হায়রি। ফার্মরশিংদা লমগী মমল অদুগী চাদা ৫০ নৎত্রগা লুপা লাক্ষ ৫ গী রিসেতলমেন্ট দ্যুশিং পীনবা মখূৎ লাম্থোক্লি। অদুম ওইনমক মথং চহীগী জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা পলঘারগী পোলিটিকেল ওপোজিসননা ফার্মরশিংদা প্রোটেষ্টশিং তৌনবগী ইনশিল্লি। বুল্লেট ট্রেন হায়বসি অরেম্বা করিসু কান্নদবা অমনি। মদুদা চঙগদবা পৈশা অদু লৈবাক অসিগী রেল ইফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবদা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ হায়না ওপোনেন্টশিংনা হায়রি। ফার্মরশিংনা হঙ্গরষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না গভর্ণমেন্টতা কিহল্লি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা এটেকশিংদা পুলিসমেন ২ শিরে অমসুং লান্মী ১০ শোক্লে

***শ্রীনগর, জুন ১২ ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা লানহৌবশিংনা চত্থরকপা এটেকশিংদা পুলিসমেন ২ শিখ্রে অমসুং লান্মী ১০ শোকখ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী ৱাঙাংলোয়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্স অমগী চেকপোষ্ট অমদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপদা পুলিসমেন ২ শিখি অমসুং অতোপ্পা পুলিসমেন ১ শোকখি।

ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাইদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা পুলিস গার্দ পোষ্ট অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অদুগা পুলিসমেন অনীগী রাইফলশিং অমসুং নোংমৈ মরুশিং অদু লৌখি।

ৱাঙাংলোয় অদুনা ফোঙদোকপদা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিনখিবা অদুদা পুলিসমেন অনী অদুনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি অদুবু নাকল অনীগী কাপ্নবা অদুদা মখোয় অনী শিখি। হৌজিক মফম অদু কোয়শিন্দুনা থস্লে অমসুং মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙাইরি হায়খি।

টেরোরিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা অতোপ্পা এটেক অমদসু সি আর পি এফ পার্সোনেল ১০ শোকখ্রে। এটেক অদু অনন্তনাগতা লৈবা সি আর পি এফ পোষ্টতা হেন্দগ্রেনেদ অমা লংশিল্লকখি। পুলৱামাদা চত্থরকখিবা এটেক অদুগুম্না এটেক অসিসু নোংঙাল্লমদাইদা চত্থরকখিবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা রামজান সিজফাইয়ার লাওথোকখিবা অদু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙাক্লা চৎলি। অদুম ওইনমক সেক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টকী মথক্তা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক মখা চত্থরক্লি।

রামজানগী অহানবা নুমিৎ ২০ দা ষ্টেট অসিদা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মথক্তা এটেক ৪৪ চত্থরকখ্রে। অদুবু মখোয়গী মায়োক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন মরি খক্তমক চত্থরকখি।

কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌজিক টেরোরিষ্ট ২০০ রোম লৈরি হায়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হায়রি।

# নাগালেন্দগী নুপীমচা অমদগী ওনলাইনদা মীনমদুনা শেল লৌরম্বগীদমক মীওই অনী রাজস্থানদা ফারে

***কোহিমা, জুন ১২ ঃ***

ওনলাইনদা পোৎ–চৈ য়োল্লি হায়দুনা নাগালেন্দগী নুপীমচা অমদগী মীনমদুনা অচৌবা শেনফম লৌখিবা মীওই অনী রাজস্থান্দা ফারে। ফারবা মীওই অনী অদু সবির অমসুং সাকির কৌই। রাজস্থান পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা দিমাপুরদগী পুলিস টিম অমনা রাজস্থানগী ভারতপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঝেনিপুরি কৌবা খুল অমদগী জুন ৫ দা মখোয় অনীদু ফাখিবনি।



থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা পাউদম্লদুনা দিমাপুর পুলিস পি আর ও না হায়খি, আই পি এস ওফিসার (প্রোবেস্নর) অমিট মিগমনা লুচিংবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা থা অনী চুপ্পা থিরক্লবগী তুংদা মখোয় অনীবু ফাবা ঙমখিবনি। মখোয় অনীনা শাজিন্নবা আইদেন্টিটিশিং শীজিন্নদুনা 'বাই/সেল' ও এল এক্স কৌবা ওনলাইন প্লেটফোর্ম অমদা মোবাইল ফোন হেন্দসেটশিং য়োনবা শাদুনা মার্কেটিং রেকেট অমা চলাইরম্মী হায়না ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা পুলিস পি আর ও অদুনা হায়খি।

দিমাপুরদগী নুপীমচা অদুনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পুলিস কমপ্লেন অমা থাঙ্গৎলকপদগী থিজিনবা হৌরকখিবনি। ও এল এক্সতা এভরতাইজ তৌরকখিবদগী নুপী অদুনা স্মার্ট ফোন অমা লৈনবগীদমক লুপা ৬৭,০০০ পীখি।

ফারবা মীওই অনী অসিনা নুপী অদুদা পোৎকী মমলগী এদভান্স ওইনা মখোয়না পীবা বেঙ্ক একাউন্ট অমদা শেনফম খরা পীরক্নবা হায়রকখি। বেঙ্ক একাউন্ট অনীদা মঙারক হন্না শেন থাখি। একাউন্ট অমদি হরিয়ানাগী নুহুদা লৈবনি অমসুং অতোপ্পা অমনা রাজস্থানগী ভারতপুরদা লৈবনি হায়বসি কোন্না থিগৎলকপদা খঙলকখিবনি। ভিক্টিম নুপী অদুনা ফোন অদুগী কোটেদ প্রাইজ লুপা ৩৪,০০০ গী শরুক অনী হেন্না তিংখি।

বেঙ্ক ট্রানসেক্সন রেকোর্দশিং অমসুং ফোন টৱার মফমশিংনা মতেং পাংদুনা থিজিন হুমজিনবা অদু মমৈথংদা ঝেনিপুরি খুলদা লাকখিবনি। মফম অদুদগী জুন ৫ দা মীওই অনী অদু ময়ূমদগী ফাখি অদুগা জুন ৯ দা দিমাপুরদা পুরকখি। মখোয়বু আই পি সি অমসুং আই টি এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা মরাল শীরি।

# স্পিরিচুয়েল গুরু ভাইয়ু মহারাজ মশামক্না মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা মশা মতোমতা শিজখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ১২ ঃ***

মীয়াম্না য়াম্না ইকায়খূম্নরিবা স্পিরিচুয়েল লীদর ভাইয়ু মহারাজনা ঙসি মশামক্না মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা মশা মতোমতা শিজখ্রে। স্পিরিচুয়েল গুরু অসি অন্না হজারে অমসং আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা ২০১১ গী এন্টি–করপসন কেম্পেন অদুদা মেদিয়েটর অমা ওইরম্বনি। মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটকী থাক্তা পীবা ফম মহান্না লৌ হায়বা য়াখিদে।

ভাইয়ু মহারাজনা মনুংদগী থোঙ লোনশিনবা কা অমগী মনুংদা মহাক মশামক্না মহাক্কী য়েৎ থংবা চুবাদা নোংমৈনা কাপশিনজখি। কা অদুগী থোঙ থুগায়রগা মহাক্কী হকচাং অদু পুথোরক্লগা হোস্পিটালদা পুখি। হোস্পিটালদা মহাকপু শিরগা পুরক্লে হায়না লাওথোকখি হায়না অতোপ্পা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা স্পিরিচুয়েল লীদর অসিনা মশামক্না নোংমৈনা কাপ্তুনা শিজখিবা অদুদা মহাক্কী তুং ইনবা মীওই লীশিং কয়াবু তৌফম খঙদনা অৱাবা নংহল্লম্লে।

দি আই জি হরিনারায়নচারি মিস্রনা ফোঙদোকপদা সুইসাইদ লোটর অমা ফংলে। মদুদা মহাক্কী ৱাখল য়াম্না ৱাবগী ৱাফম পল্লম্মী অদুবু মাগী ৱাখল রারীবা অদুগী অশেংবা মরম করিনো হায়বদু হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না কেস অসি থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়না দি আই জি না মখা তাখি।

মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ট্যুটরদা মহাক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুরেজ প্রভুসু অৱাবা ফোঙদোকখি। মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাভিস অমসুং লিজেন্দরি সিঙ্গর লতা মংগেস্করনচিংবসু মহাক্কী তুং ইনবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

# নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উন না ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম থাদোক্নবা ফিরেপ লৌখ্রে

***সিঙ্গাপোর, জুন ১২ ঃ***

নোর্থ কোরিয়াগী লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখিবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম তোকহন্নবগী মতাংদা থা কয়ামরুম নিগোসিয়েসন চত্থদুনা চৎনরকখ্রবগী তুংদা ঙসি নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা সিঙ্গাপোরগী লমকোয়ফম ঈথৎ সেন্টোসাদা লৈবা কাপেলা হোটেলদা উন্নখ্রে।



মশাগী চহী ৭১ শুরবা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমসুং মশাগী চহী ৩৪ খক্তা ঙাইরিবা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম অনীনা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা লোয়রবা তুংদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ু এস প্রসিদেন্টনা হায়খি, ঙরাংগী মুক্নবশিং অদুনা হয়েংগী লান হেক্তা ওইবা য়ারোই। হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা মহাক্না কন্না চত্থরম্বা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম অদু তোকপগী ফিরেপ লৌরে। কিমনা মহাক্কী লৈবাক্তা লৈরিবা মিসাইল সাইট অমসু থুগায়দুনা মাঙহনখিনবা য়ারে। হৌজিক ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী মরক্তা অনৌবা চেপ্তর অমা ইনবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

সেন্টোসা আইলেন্দগী কাপেলা হোটেলদা লুচিংবা অনীনা চাক্লেন চামিন্নখি। মখোয় অনীনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদতা নত্তনা হক্কী মতাংদসু চাওরাক্লা খন্ন–নৈনখি।

সিঙ্গাপোরগী মী চঙহন্দনা থম্লবা অমসুং ফজরবা কাপেল্লা রিজোর্ট অদুদা মীফমশিং মথং মথং পাংথোক্লবা তুংদা লুচিংবা অনী অদুনা অমগা অমগা নাকল নাকল ফম্মিন্নখি অমসুং য়াম্না মপূং ফাবা এগ্রিমেন্ট অমা মখোয় অনীনা সাইন তৌখি। এগ্রিমেন্ট অদু নিগোসিয়েসনশিংগীদমক মাঙগী লম্বী ফাৎলিবা য়াম্না মপূং ফারবা এগ্রিমেন্ট অমনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টনা শীংথাখি।

দোকুমেন্ট অদু খদক্তা মীয়ামদা থাদোক্লকখিদে অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্টনা পাউমী ফোটোগ্রাফরশিংগীদমক মদুগী কোপি অমা মখূৎ ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা উৎখি। নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোকহন্নবগী খোঙচৎ অসিদা কিমগী ফিরেপ অদুগী মতাংদা হংনখিবা ৱাহং অমদা দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি, থবক অদু ঐখোয়না য়াম্না থুনা হৌরগনি। তশেংনমক য়াম্না থুনা হৌরগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড জে. ট্রম্প ওফ দ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা অমসুং চিয়ার্মেন কিম জোং উন ওফ দ ষ্টেট এফিয়ার্স কম্মিসন ওফ দ দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা অনৌবা য়ু এস–দি পি আর কে গী মরী পুরক্নবগীদমক তেংবাংননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে অমসুং কোরিয়ান পেনিনসুলাগী অমসুং মালেমগী শান্তি, চাউখৎপা নুংঙাই–য়াইফবা অমসুং সেক্যুরিটি থম্নবগীদমক ফিরেপ লৌরে হায়না এগ্রিমেন্ট অদুদা ইরি।

অসিগুম্নবা মীফম অসি পাঙথোকপা ওইথোকহনবগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা দোনাল্ড ট্রম্পপু থাগৎখি। ঙসি ঐখোয়না ইতিহাসিক ওইরবা মীফম অমা পাঙথোক্লে অমসুং হৌখিবা মতমবু তুংদা হন্দোক্তুনা থমলম্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না কিমনা মাগী লোল হন্দোকপা অমগী খুত্থাংদা হায়খি।মালেম পূম্বনা অচৌবা অহোংবা অমা শোয়দনা উগনি হায়খি।

সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা মীয়াম্না অচৌবা টি ভি স্ক্রিন অমদা কিম অমসুং ট্রম্প খূৎ শোক্নবা অদু য়েংলদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখ্রে।

# চিনাগা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা টাইৱানদা দি ফেক্তো ইম্বেসি অমা য়ু এস না হাংদোকখ্রে




***তাইপৈ, জুন ১২ ঃ***

চিনাগা টাইৱানগা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা মশা মতোমতা লৈঙাকচবা দিমোক্রেটিক ওইবা ঈথৎ অসিগা ৱাসিংটনগা ষ্টেত্রেজিক্কী মরী লৈনৈ হায়বা উৎলদুনা টাইৱানগী কোনুং তাইপৈদা ঙসি য়ু এস না দি ফেক্তো ইম্বেসি অমা হাংদোকখ্রে।

ৱাসিংটননা কুমজা ১৯৭৯ দা তাইপৈগা দিপ্লোমেটিক্কী মরী লৈনবা ককথৎখি। অদুবু ঈথৎ অসিগী খ্বাইদগী কনবা খোঙবু অমসুং অমত্তা ঙাইরবা খূৎলাই পীবা লৈবাক ওইনা লৈরক্লি। মরী ককথৎনখ্রবগী তুংদা নাকল অনীগী মরক্তা মরী লৈনবগী থবক তৌনবা টাইৱানদা অমেরিকান ইন্সটিট্যুট ওফ টাইৱান কৌবা অমা হাংদোকখি।

নাকল অনীনা মতম শাংনা পূন্না লেপমিন্নরক্লি, অনীগী মরক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা থিংলবা ঙমদ্রি হায়না টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং–ৱেননা হায়খি।

থাক নেম্বা মিলিটরি বিল্ডিং এ আই টি দগী য়াম্না থাক ৱাংখৎলবা অমা ওইরিবা অনৌবা কমপ্লেক্স অসিনা কালেন্থা অসিদা রিপ্রজেন্টেটিভ অদু ওইনা শীজিন্নরগনি হায়না অমেরিকান ইন্সটিট্যুট ওফ টাইৱান (এ আই টি) গী দাইরেক্তর কিন মোই না হায়খি।

টাইৱানদা য়ু এস কী দি ফেক্তো ইম্বেসি হাংদোকপা থৌরম অদুদা য়ু এস এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট ওফ এদুকেস্নেল এন্দ কলচরেল এফিয়ার্স মেরি রোইসনা কমপ্লেক্স অসি য়ু এস – টাইৱান পার্টনরসিপকী অকনবা খুদম অমনি হায়খি।

অনৌবা সাইট অসি তাইপৈগী লৈহু দিষ্ট্রিক্টতা চাইনিজ গার্দেনশিং য়াওনা লম হেক্তর ৬.৫ পাক চাউই। এ আই টি গী তাইপৈ ওফিসতা অমেরিকান অমসুং লোকেল এমপ্লোইয়ি ৫০০ রোম লৈ। অদুগা মসিগী কাউসিয়ুং ৱাপ্কতা ষ্টাফ ৩০ হেন্না লৈ।

# চহী ৩৫ গী মমাঙদগী থিবা খঙখিদবা য়ু এস এয়ার ফোর্স ওফিসার কার্লিফোনিয়াদা লৈরম্লে

***ৱাসিংটন, জুন ১২ ঃ***

ঙসিদগী চহী ৩৫ গী মমাঙ কুমজা ১৯৮৩ গী জুলাই থাদগী মফম খঙখিদ্রবা য়ু এস এয়ার ফোর্স ওফিসার অমা কার্লিফোনিয়াদা লৈরম্বদগী ফংলে।

এয়ার ফোর্সনা কেপ্টেন ৱিলিয়ম হোৱার্দ হুইজেস জুনিয়রবু এয়াক্রাফ্ট সার্ভিলেন্স সিষ্টেম টেষ্ট তৌবদা নেটৌবু তেংবাংনবা থাখি। মদু জুলাই ১৯, ১৯৮৩ দনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা এয়ারমেন অদু ন্যু মেক্সিকোদা লৈবা বেজ অমগী সর্ভিলেন্স এনালিষ্ট মকোক অমনি। মহাক তোপ সেক্রেট সেক্যুরিটি ক্লিয়ারেন্স ফংবা অমনি হায়না এয়ার ফোর্স ওফিস ওফ স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন্সনা হায়রি।

মহান্না ক্রিটলেন্দদা দ্যুটিগী রিপোর্ট তৌরকখিদ্রবগী নুমিৎ কয়ানি অমসুং চয়োল কয়ানিগী মতূংদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা অলবুক্কের্ক ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টতা মহাক্কী কার অদু লৈরম্বা থেংনখি।

মহাক্না হল্লক্নবা তুংদা পাননবা লাইব্রিক থৌরাং তৌরম্বা লাইব্রিক্কী মিং পরেং অমা অমসুং তৌগদবা থবকশিংগী লিষ্ট অমা মহাক্কী ময়ূম মনুংদগী ফংখি।

জুলাই ২২ দা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক ১৯ দগী দোলর ২৮,০০০ হেন্না লৌথোকখিবগী সার্ভিলেন্স ভিডিওদা থেংনখি। মহাক্না নেদরলেন্সতগী ঙন্না হল্লক্নমগনি অদুগা মদুগী মতুংদগী মাঙখিবা ওইরমগনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা খন্নখি। মহাকসি য়াম্না অৱাংবা থাক্কী গভর্ণমেন্টকী অরোনবা ঈ–পাউ অদুগা লোয়ননা সোভিয়েটকী নাকন্দা দিফেক্ট তৌখ্রবরা হায়নসু চহী কয়া অসি চিংনদুনা লাকখিবনি।


RST Resonant Tutorials
Imparting light to Medical aspirants

# RESONANT TUTORIALS
*Imparting Light to Medical Aspirants*

SL/Bill (upto 12 June)

**ADMISSION OPEN**

**Regular Course for Medical Entrance Exam**

**NEET (UG) - 2019**

**Class Commence : 21st June, 2018**
**Last Date of Admission : 19th June, 2018**

Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.


## GAS TODAY

**Yairipok Gas Service**
Booking : 15/05/18
Valid : 10/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 01/05/18
Sl. No. 217416
Valid : 28/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 05/05/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Upto Date
Valid : 12/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 12/06/18
Valid : 05/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
19 kg Available

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 14/05/18
Valid : 10/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 21/05/18
Valid : 17/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 10/05/18
Valid : 08/05/18
Sl. No. 1101 upto 2000
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Heirok Indane**
Booking : 15/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 03/05/18
Valid : 24/04/18
Sl. No. 8600
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৯৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 3 | 7 |
| 3 | 9 | 6 | 2 | 7 | 1 | 4 | 5 | 8 |
| 7 | 8 | 5 | 4 | 9 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 4 | 1 | 7 | 5 | 6 | 2 | 8 | 9 | 3 |
| 5 | 3 | 2 | 9 | 8 | 7 | 6 | 4 | 1 |
| 9 | 6 | 8 | 3 | 1 | 4 | 5 | 7 | 2 |
| 6 | 7 | 9 | 1 | 2 | 5 | 3 | 8 | 4 |
| 8 | 5 | 3 | 7 | 4 | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 2 | 4 | 1 | 8 | 3 | 9 | 7 | 6 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1196**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | 1 |
| | | | 6 | | | | | 7 |
| 4 | | 8 | 5 | 7 | 2 | | | |
| 6 | | | | 2 | | | 8 | 4 |
| | | | | 3 | 7 | | | |
| | 8 | | | | 1 | | | |
| | | | | | 9 | | 5 | |
| 9 | | 1 | | | | | | |
| | 7 | | | 4 | 6 | 9 | 1 | 3 |